মচা (৫)

মযা পশিবা হিংজবা ওথা মচা + কণশী দান
হারি মচা অনি

অইবা :—
শ্রীকুমার জয়েন্দ্র সিংহ
রিটায়ার্ড হেড পণ্ডিত
থোংখোং এম: ই: স্কুল।

মচা

মমা অশিবা হিংহন্বা ওন্বা মচা+কর্ণগী দান

ৱারি মচা অনি



অইবা —

শ্রীতুংথাম ভদ্রেজ: সিংহ

রিটয়ার হেড পণ্ডিত

চরাংপাৎ বোইজ এল: পি: স্কুল

মমল লুপা ১৫.০০

কোংজবী :—
OKRAM TOMBISANA DEVI

অৱিত্তবা থুংনম :—
1993—April
Copy 1,000/-

Printed at :— Thoubal Press, Thoubal.

ৱারোল খরা

—:(O): –

মচা অমসুং কর্গী দান হায়বা বাবৌ মচা ২ মা পুজগা উভবনি। মচা হায়বসিদি হান্নসু ফোংজগ্রবনি। মহুদা কনাগুম্বা ভদ্রলোকশিং খরনা মচা অসিদা মহারোলশিংমা হৌজিক্কি মীৎনা হেক উবদ্দি নত্তবা, শিরগা অমুক মপোক অমদা ফংগদবা, যমগী অশেংবা ৱাহৈশিং স্বত্তু থওলগা, মশা-মশাগী লমচৎ-শাজৎ নিত্তি-নিয়ম অমসুং চিঙ্গাক্তা খন্দদং খম্বা য়াবা অচুম্বা ৱাহৈ পিরিবশিং অদ লৌশিঙ্গবা ভন্নবদি, সমাজগী মাওথবক্লিবা, মহারোলশিবু খন্দদং ওইরাস্তু কাঃ। অম্বা ৱাহৈ তাকপিবদগী অমুক কম্না ফেংজবনি। লাইদিক মচা অসি ফোংনবা হোৎনবদা N. Deben, O. Binoy থৌগালমকম্না হোৎনবিখি অমনা ঐগী ইচামচুম্বা মুংশিনরবা, ঐগী অহানবা ছাত্র ওইরম্বা হৌজিক্কা মতিক চান মী ১/১ ওইরগনা।

1. K. Kalidas Singh

2. K Sarat Singh

3. K. Barui Singh অহুম অমসুং অমত্তা মতে পাংবিখি। অহুমা ঐগী অহানবদা মতেং থরদ ওইরনসু পাংবিম্বিবা ইচা-ইমাকশিংগা পুন্নিদা অয়াবা ওইহনবীদনবা ঈশ্বরগী মকনদা মতম খুদিং প্রার্থনা ওইজরি।

জয়-মাতৃ ভূমি।

অইবা— শ্রীযুক্ত ... জন্মেজয় সিংহ
রিটয়ার হেড পণ্ডিত চঙাংপাৎ
Boys' L. P. School.

"কণ্ঠবা"

—:(O):—

থাবুম ১০, ঙুম্মিংশিংবুম ৩০০শি,

যানা নাওপুবিরগা, তাইবং মীতম ওইহনকপি।

হাদা ! পলেম ॥ অপোকপি, থম্মৌ কালোইনবা।

তাইবংমা তাংনৈ, গীওইপোক্তি পলেমগী,

খোম্মং নামগী লহন শিংওমদে, হায়না।

পাংলবা মপারিদি, পলেমগী অমৃত ওইবা,

ঈবিক অমগী লমন শিংডম্মোইদৌরি।

অহনা নপারিনা হৈত্ত-থওদ-মপা লাক্তুনা,

শৈদম শৈরাংজবা, "মচা অমদি কর্ণগী দাম"

মিংথোঙবা লাইরিক মচা অসি পলেমগী,

নথুরা থাদা, থুবাং চাংজৌ ১০ খুৎলোম্মনা কক্করি।

ইংনদনা লৌশিনবিয়ু পলেম অপোকপী ॥

অহৈবা

মচা

অহানবা মতাং

— ::(O)::—

মচা পোকপা

ধাইন দ্বাপুর যুগতা পোক্‌খবা রাজানি। চন্দ্রধ্বজ কৌবা নিংথৌ অমা 'চন্দ্রকান্তনগর' লৈবাক্তা পালম্মী।" মহারাণীনা রূপধরিত্রি কৌই। মশক মতৌ ফজবী; মপুরোইববু লাইগুম্বা নবী খুরা খবা ওইরম্মী। নিংথৌ, মহারাণী অনি অসি মতম চানা মচা ফংজরমদে। মচা লৈজদবনা নিংথৌ চন্দ্রধ্বজনা মচা নিপা অমত্তা পোকহনগে হায়দুনা মহাদেবদা পূজা কৌচে। নিংথৌগী পূজাদা গপেপ্রদুনা, মহাদেবনা মমাংদা লাক্লুবা নিংথিজগ্রবা লৈ-পরেং অমা মঙুনা শুক্‌পরম্মী।

মপুগী মতুংদা হায়রবরম্মী—"মহারাজ। মচা নিপা মতিক-মগুণ চেনবা, শ্রীকৃষ্ণগী মনাই বৈষ্ণব ওইবা অমা ফংজরগনি। অদুবু নচাদি ফংজরগা অরাবা, জুংজাই ওইবা অমদি থোকনি। মদু ওইরবসু নচাগী মপান্দগী মমৈদা অরাবা থোক্লগনি।" রাজু হায়রম্মী। 'শিব' অন্তর্ধ্যান ওইখরে।

মহাদেবনা লেঙখিবগা নিংথৌ মিকপ থোক্লুনা হৌগৎলে, অদুগা 'ঈশ্বর'দা লৈশি লৈথোন্দুনা খুরুমজরকলে।

নোং ঙাল্লক্রে, মঙগী বা পুম্নমক রাণীদা তমখয়ে নিংথৌ মহারাণী অনিমক মচা ফংজরগনি খনবদা হবাওজরে ।

লাইগী বর মাঙবা য়াদে মহারাণী, রুপধাত্রি গর্ভবতি ওইরে। নিংথৌনা মুংঙাইজগ্রহুনা, ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণবতা সনা, লুপা, ষণবঁ কয়া-কয়া দান কৎখবে ।

মতমনা ঙাইয়ু য়াদবনা. মহারাণী, মুমিৎ-পা শুরহুনা ৮চানিপা অমা পোকচরে ।

অবাবনি ! রাণী রুপধাত্রি অঙাং হেক উনবগা খঙহৌদনা রাম্থখরে ।" মহারাণীনা রাম্থখিবা পাও অসি ৗ-থৌনা তারদুনা মাইবা অহৈ-অশিং কয়া কৌহুনা লাইকয়বদা ঙ৲খিদহুনা রাণী প্রান থাখরে ।

মহারাণী নোংগাববদা, নিংথৌচন্দ্রধ্বজ অঙাংনগী পদ্মহম পোকপদা ঙাইরিবা মচা অদু কোম্রগা খোঙ্জেল বাংনা বাৗ কৌহুনা কপখরে । লৈরিবা মী পুম্নমকস্তু খাঙবা ওমনখিজ্রদুনা কয়া কপ্পরে । কপ্পা মথৈ কপ্পবা মতুংদা অঙম অথৌশিংন। নিংথৌদা হঙ্ংলে । "শ্রীযুৎ ইবুংঙো ! ননাই এথোয়বা ফনা কপ্পুনস্তু ইমা মহারাণী হিংলক্রুরোই । মরম অহুনা মীওইবনা শিরগা তৌফম খোকপা মথৌ কর্ম্ম পাংথোকখিনব। সনা বুদ্ধি তৌবিয় ।"

প্রজাশিংনী বা তারবদা নিংথৌ জ্ঞান ভারক্রহুনা মনাইশিংদা মহারাণীগী অশিবা হকচাং অহু 'সংস্কার' তৌরুনবা য়াথং পিথরে। পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অহুনা য়ে,কচবী অমদা শিঙ্গ্রে। অশিবগী হৌনবী মথৌ-কর্ম্ম পুম্নমক কোইখরে । নিংথৌগী মচা

ইবুংঙো, থানিনগী পাজনা নোংমগী চাউখৎলেকপগী মতৌগুম চাউখৎলক্লম্মী মচা ইবুংঙোগী নিংথিবা মাইথোং উবদা নুংঙাইজবা অতুপকী মথৈ লৈখিরবী মহারাণীগী দমক রারম্মী।

নিংথৌ মচা ইবুংঙো, মমিং থোনবা মতম যৌরক্লদুনা অহৈবা পাক্তি কৌদুনা হোত্তনা য়েংবদা, নক্ষত্রগা চাম্নবা থিদুনা মমিং 'রূপবান; থোংলে'।

নিংথৌনা মহারাণী য়াওদনা লৈবা অদু প্রজাশিংনা য়েংবা নুংঙাইজদ্রদুনা নোংমা মশিনচিংবা অভম অথৌশিং তানদুনা মহারাজ চন্দ্রধ্বজদা হঙংথি।

"শ্রীযুৎ ইবুংঙো! ঈনিংথৌনা মহারাণী য়াওদনা প্রজা পালন তৌবরসিদ, ননাই ঐখোয়গী ইপি-ইপা, পু পাং শুদবা মচা হায়রবা অদু ওইজরে। লৈবাক্কী নিংবা থুংজনবা অনৌব মহারাণী অমা সনা বৃদ্ধি তৌবদুনা য়েংবিসি।'

প্রজাশিংগী ৱা তারবদা চন্দ্রধ্বজ মহারাজ 'রূপবস্থা' কৌবী রূপ-গুণ চংখোক্লবী নুপীমচা অমা লুহোংদুনা মহারাণী হাপলে। নৌনা মহারাণী ফম ফংজরবি রূপবস্থা নিংথৌনী মচা ইবুংঙো, রূপবান. মহাকমক্তা পোকচবা মচাগুম লুনা-চাম্না য়োকচরে রূপবানসু মমা অপোকপা নত্তে হায়না খল্লমদে। নিংথৌগী মচা ইবুংঙো চহি ৫ শুরকলে। বিদ্যা তম্বা মতম ওইরদুনা মহারাজ চন্দ্রধ্বজনা, গুরুদা শিন্নদুনা মহৈ তম্হল্লে। মহৈ তম্বদা পুক্নিং চঙবা ওবা, গুরুবু কিনা-চাম্না তৌজবা মরমনা চহি থরদংগী মনুংদা অয়াম্বা মহৈ-বিদ্যা হৈখ্রে। নিংথৌ মচা ওইবগী হৌনবা

লালগী এহৈদগী মপুংফানা ফঙ্গনে। ধর্ম্ম সাস্ত্রগী মপা লৈরমদে। লাইনিংবদগী 'ধ্রুব' অমসুং 'প্রহ্লাদ' গুম্বা পুক্নিং চেংলম্মী।

নিংথৌগী মচা মহি তম্বা লৈইবদুনা মপা ইবুঙোগী নাকল লৈরে। মতম অসিদ, প্রজা অমদি নিংথৌগা শরুননা মচাবু যুবরাজ কম হাপখবে। যুবরাজ রূপবান নিংথৌমচা এহৈরবসু অকে-অমৌ অমদি হরাও-কুম্মদা পুক্নিং চঙখিদে। মকম পুন্নিং শ্রীকৃষ্ণগী চরণ ধ্যান তৌজবনা চংখৌ ওইরম্মী।

চন্দ্রধ্বজ মচা যোকপদা সাস্ত্রগী নিয়ম কায়দনা থোক্লম্মী। মহৈদি সাস্ত্রগী প্রমান, অভ্যাস পোকপদগী চহি ৫ শুচি-কাওবাদ য়াম্না চেংনা চঙ্গা, মনিং তম্না লৈহনগদবনি। চহি ৫ হেক শুরদগী চহি ১০ অমদি য়াম্না বারক বাক্তেমছুন মহৈ তম্বদা পুক্নিং চঙহনগনি অদুগা চহি ১৬ চঙলকপদগী এচাদ মসাপকী মতৌচুম তাথেক তাশিন তৌনরগা অফবা অমী। চংহন্নিংবা য়াম্বা হোৎনবনা মপা ওইবদগী মরু ওইবা বাখাল্লি।

নিংথৌসু মচানপাগী য়াইফবা অমী ওয়ু থল্লম্মী। চহি মতাং আসরাইদা কনাগুম্বনা এচাবু থিনা য়াকনা তৌদুনা মপুক্নিং শংঙাইহন্দ্রবদি ওন্থোক্তেনবা থবক য়াম্না তৌগল্লি। রূপবান্না চঞ্চলদা য়াম্না 'বন্ত' লৌরবা অচুম্বনা নিংথৌ মপুক্নিংদা হরাও-জরম্মী। নোংমা যুবরাজগা, মমাংবা ব্রাহ্মণ মচা অমগা ধর্ম্ম সাস্ত্রগী মরমদা তর্ক অমা তৌনরম্মী। মানা-মানা নিংবা অচুনা অচুম্বনি হায়না মহৈ য়েংনবদগী শাওনরক্লুনা অথিবা থবা য়াওনখরে। এ ব্রাহ্মণ মাদুদ মচানা হায়রকই — "যুবরাজ !

নহাক, ইমা মহারাণী শিথিত্নুনা বারকপা থরা রাংলমাল্লে। রা ভাংবদা কাহেনবা থরা রাওরে।"

রূপবান—"করিগী ইমা মহারাণী শিথ্রিবা। লৈরিবা ইমা অসিবু ইমা নত্তব্রা ?"

ব্রাহ্মণ মচা—"নত্তে, লৈরিবা নমা অসিদি নডবু পোকপা নত্তে।"

রাজকুমার—"করে, ঐহাক হৌজিক পাবু মহারাজদা হংলুগনি। করিগুম্বা অচুম্বা হইররবদি ঐগী শিংবা ইমা অহু থিরুগানি. অদুগা চুম্মত্রবাদ ব্রাহ্মণ ওইরবসু নহাক্তা নাতক থোকপা দাগুফজগানি।" রাইশং অস হায়রম্লগা যুবরাজ কোন্নুং মন্নুংদা মপাবুং মহারাজকী নাপা চেনখরে।

নংবোংগী মনাংদা মথুং অনি লোমহনুনা হায়রকই—। "পাবুং! ঐবু পোকপা পলেম শিখরে, হৌজিক লৈরিবা ইমা মহারাণী অসিবু অপোকপা নত্তে হায়বা অচুম্বা ?" অচুম্বা হইরবাদ কারগী অসুক কুইবসি নচাদা ভাকাপব্রিবনো ?"

মচাগী বাহংশিং অদু তাক্লবদা, নিংথৌ চন্দ্রধ্বজ মংম কুইনা কায়রত্রমা, মহারাণী চন্দ্রপ্রভা নিংশিংলক্লুনা মচু থু চেংনা কোনাশিল্লগ হিক-হিক কপা হায়রকই। "ইবুংঙো! অশেংবনি. মমা ইবেমমদি নমক য়েংদনা নোংগাত্রবনি। নথরাই দুংগু ইরোক অপুনা হপানা তাক্লবনি"

যুবরাজ—"অহাদ পাবুং! ননাই ঐহাক ইমা পিক্লুগ সংসাবদা মমা লৈতবা মচা ওইরবসিদি, মতদফাওবা মুংং কানংডাই

লৈতে। অহুনা ইমাগী চরণ দর্শণ ফংত্রিমথৈ ঐহাক য়ুমদ হন্নক্লরোই। পাবুংনা মচাদা বিদাই পিনবীয়ু।

মচাগী অঙকপা বাহৈশিং অহু তারগা, অহুল ওইরক্লবা নিংথৌনা কপ্পা-কপ্পা হায়রকই—"যুবরাজ। মীওইবশিংনা কংখ্র-রোইদবা, শিঙ্গবা মীবু থিবা হায়বসি ওইথোক্কবনি। শিবা হায়বসি হকচাং পোলাং অদূন মৈ থাহনা উং ওনশ্লবনি। জীব (আত্মা) অদুনা লাইরৈবাক্তা ধর্ম্মরাজগী নাক্তা লৈঙ্লবনি। যমগী লৈবাক হায়বা অহুদি অহীংবা জীব অমত্তনা চংনদে ; অশিবত্তনা চংপনি। অদুনা নমাগী প্রেমনা থুম্মক্তনা ওইথোক্লরোইদবা রাথম্না লমজীংতুনা নহাক্তা পুন্সিগী মথোং কারকপগী লৈবাংগুম্না নৌরবা থম্মোই অহু লমথাংদা মাঙহল্লগেরা যুবরাজ।"

রূপবান মপা নিংথৌনা যনা থাওৈজ, কাযবদুঙ্গাই য়বা মরৈখিজে।

মীওইবগী ডাংনখিবা চক মতাং অহু ওইনিবনা নিংথৌনা মচাবু খাম্না ঙমখিদে। কাবিগুম্বা চৎনবা য়াম শিদে, তাঙ্গা ম্রেংতুনা লোম্না চৎথিগদৌরি। রাখল অসি চন্দ্রধ্বজ মহারাজ খড়ক্তুনা লমোই কায়রবা বাহৈনা মচাদা হায়রকই, 'যুবরাজ। নহাক নমাবু থিনিংলিবা অহু ননিং থুংনব থিজকনো! অদুগা রুপানা হায়বা বা অমত্তদি নমাক্তা ইল্লু। মদুদি নঙনা নমান পিজবদা, করিগুম্বা নবুংডে শ্রীকৃষ্ণগী রূপানা ফংজরবস্তু নত্রগা ফংত্রবস্তু নহাক্ত ইপাগী নাক্তা অমুক হন্নজবা য়াদে। চৎলো-চৎলো ইপানা বর পিরম্ব অসনি, নহাক নমাগী মশক উজবা ঈশ্বরনা পিনবিসনু '

মপানিংথৌগী য়াথং ফংলবা রুপবান হৱাওদুনা মপাগী চরণ খুরুমজরগা মমা খিবা চৎনবা থৌরাং তৌরকলে। চন্দ্রধ্বজ নিংথৌনা, মনাই-মশল সনা, লুপা মতিকচানা পুখিনবা মচাদা হায়রম্মী।

রুপবাম্না, ৱনাংগুম্বা জীব অমম্ভ লোয়নজরোই, অহূগা লল-থুমম্ম কারি অমত্তা পুজরোই হাশদুনা য়াখিত্রে। মপা মহারাজ, অমদি মমা শক্লা নাওয়োন্নবী মহারাণী রুপধজা অনিগী মফমদগী বিদায় লৌরদুনা যুবরাজ মমা খিনবগী যাত্রা তৌরকলে। কোম্বংদগী মনাই খরা যুবরাজবু থিন্নোরকই মতু খরা চৎলগা লোয়না বিদায় তৌরমলে।

নিংথৌ চন্দ্রধবজ, অমম্তা ভাইজরবা মচানিপানা ঙমখৈ থগুদনা চৎখিনবা অদুদা, অতিয়াদা থোকপা মঙাল চাউরবা মুমিংকী তেজবু, অমগবা নোংনা থনাখদুনা তাইবং-মালংদা মসগুম, নিংথৌ থম্মোই মমখৌরে।

‘হুমা অমাদ পোক্লফম, লমদমদি স্বর্গদগীসু হেল্লি।’
মচানা মমাগী ওম্বাঙ্কা পেঞ্জব',
জীবশিংনা পোক্লফম লমদমদা হুংজাইজবা;
স্বর্গদা কাবনা মতু ফংগুমদে।
য়োংকী শরংদা যোক্ল'া চেক্রা,
থোংদা সনাগী ঝিঙুর থাংলবা,
অহাও-অথুম শঙ্গোম চাবস্তু,
মাচম্বা ঈশ্বরগী নাম শোন্নবা

অহুমু মপাং-লক্তা তিননিংই ;
পোক্লকম উক্রোং অহু নিংশিংই ;
বোনবী উহৈ কয়া চানিংই ।
মমা লৈতবা মচা 'পুম্বা,
অয়োকপা শা-উচেকা অস্কানি ।
নিংবা থুঙমদে মাগী পুন্সিদা ।
মমা লৈত্রে—খঙলবদা রূপবান,
নিংথৌগী মচা ওইরবস্তু
অশিবগী লৈবাক তম্লকলি ।



অনিশুবা মতাং

মমা থিবা

নিংথৌগী মচা ইবুংঙো, মাবু লিন্দোরকপা মীয়াম্বা হনগ্রবদা মথমতা শাক্লাংগী নাম শোল-শোলহনা মমাই মথা পাংনা চাবা থকপা অর্মদ পোথ বা লৈংনা চংলকলে অহিং-ছুংথিল মাইদনা লাকপনা থা গী কস্থি চংলবদা 'কাঞ্চন-নগর' হায়বা দেশ অদু মোর মকম অতুন বীর সংহ কৌবা নিংথৌ অমা পায়খী । মহারাণী অগুনা মচে শ্রম্বা কৌই । নিংথৌ অসিগী মচানিপা পোকচদ, মচানুপী অমখক্তং পোকচৈ । মাদিং 'হেমলতা' কৌই ।

রূপ-গুণ চংথোনবী ফজবী হুগী মচা ওইরম্মী। নিংথৌ অসি চাহি-লংঙাই লৈতনা পরাবা অন'দ অকিবা থোদোক অমা লৈরম্মী। মতুনি ব্রহ্ম রাক্ষস অমা লাকুনা মাগী দেশ অদুদা নোংমগী মী অময়ম 'ব্রহ্ম অজ্ঞা' নি হায়দুনা চারম্মী।

মতুগী লিল-তাংবগী মথৌ অদু নিংথৌ বীরসিংহনা দায়ত্ব পুরম্মী। অদুনা নিংথৌনা লৈবাক অদুগী চিদাইদা ফুরা তমা শারগা নোংমগী মী অমা য়ুমথোঙগী পাল্লি মাইনা থারম্মী। মী শং অংনা নুমিৎ মুমি কী মুমিদাংদা ফুরা অদুদা চৎলগা হিংচাবা অদুনা হেক হেক চারম্মী। মতৌ অসুম তৌনা মী কয়া বয়গী পুন্সি মাঙথিবম্মী। থোশল অসি নোংমতং হেক শোয়রবদা দেশ, অদুগী মীমৈথৈ লোয়না নোংমতনা 'হ চাবা অদুনা চাগদৌরিবনি। অদুনা নিংথৌ অমদি প্রজাশিংগী মপুরিঙদা করম্মা নুমিৎ-থাদা মথোয়গী অরাবা-চিংনবা অসি তোক্কদগে হায়না বাংলা অসিনা মরু ওইরম্মী।

অদুবু হি চাবগী থরাক্তুগী কনবিনিংঙাই লতবনা 'কঞ্চন-নগর' অসি নুমিৎ খুদিংগী মৈকপ-নীরাংথে হুনা শান্ত লৈরমদে। রূপবায়া দেশ আসদা থুংলরবদা মশা অদু থরা চোকথংদুনা, অহং অমদি মফম তদুদা পোথারগে থংদুনা য়ুম অমদা চংলক্রে। লাইগী পোশিল অওকপনি! নুমিৎ অদুমক্তি রূপবতীনা চংলক্লবা ইমু' অদুগী মা অমা হিংচাবগী চাকথাক পাল্লি পে কল-লে। য়ুম অদুদা মথোয় মী ৫ থক লৈরম্মী; মপা, মমা, মচানুপা অহুম। মথোয় মচু অসি কনানা হি চাবগী চাকথাক ওইরুগনিগে থম্বদা অমম্বা-মপ অহল অদুনা, মাগী মুপীগা, মচানুপা লেংখৈদগে,

মতাক রাক্ষসনী চিঙাক ওইরুরগে থ'ক্লি। মাগী চুপীনা মপুরোইবগা, মচাশিংগা লৈহৌবগা মতাক চৎকে খঙে। মচাশিংনসু কায় খল্লি, মপা, মমাগা লোয়ননা পোয় ম'চন-মনাও আন লৈহৌবগা মথোয় অমদি হি চাবনী চাকথাক ওইরুনবা খল্লি। অদুবু অমনা অমবু চৎলু হায়রুনা থোদ নবদি কনা অমত্তা চয়রমদে। অপা ঐংক চৎলগে হায়রবসু কনা অমত্তা হায়নরমদে। মথোয় মঙা অহুম মী লৈহৈ য়েংলরগা হিক-হিক কপ্পরম্মী।

তঙা আসনঙা কুপান যুম অদুদা চংলকপে। মশাক থঙদবা মীওই অমা মখেযগী খেঙগান লানশিন্দুনা চংলবপা অহু মপা অংল অদুনা উবদুনা মচাশিং অমদি মাগী নুপীবু কপ্পা তোক্কনবা ঈঙং তৌরম্মী। অবেপ্পা লৈতনা চংলকপনা কুপবান যুম অদুগী শমাং য়োরকলে। চংলকলিবা মী অদুনা বা হায়রক্লৈদ', ইমুং অহুগী অংল অহুনা হায়রা বা বংলকই। "ইবুঙো! নহাকপু কনানো? করি থবক লৈদনা লাকলিবানো? ঐনা অসুম য়েংবদা ঐখোয়গী লৈবাক্কী মীসু মান্দে করম্মা দেশতগী লাকপনো?"

চংলকলিবা 'নপা অদুনা খুম্মকই—"ননাই ঐহাক 'চম্পকনগর' দগীনি, নিংথৌগী মচানা। ঈশংনা কুপবান কৌই, করিগুম্বা থবক অমগীদমক লম কোইজবকপনি। অবাম্মদগী লাকপদা শরা বারহুনা ঙ'স অহুং অমসুং, ইপা ইবুংঙোগী যুম অসিদা পোথাজরগে হায়দুনা চংজরকপনি।" নিংথৌ মচাগী বাহু তাবদা, ইমুং অহুগী লৈরমলিবা মী মঙা অহু চপ মাম্মনা থুংজাইবা বাখল অমা পোক্কলে। মরমদি মথোয়গী থরাই কনবিনবা, ঈশ্বরনা থাবিরকলবা নিপানি হয়ন খঙ্গরম্মী।

রাখল অমু ভোরবাগী অ'পুখি ওইনা লাকখিবা নিপা অমুবু লাইগুম্না লুনা চান্না ভেখরে নি খিবা ফিদাদা ফমজরে ; অমনা খুদেং পুশিল্লক্লুনা মখোজ শেংদোকাপরে । অহল অনি অমুনা চান-থকনবা শৌরং ভৌংরে । মচানিপা অনিনা ভুমিন্না চৎখিদুনা হিংচাবন মী ভেং- বক চারিব ফুরা অমু খঙদনবা তমান-তমান শেংদে কল্লরে । খুদেংমম ওয়া চরে, য়ুম অদুগা ফুরা অমুগমু থোইনা লাপ্লরংদে । মরম অদুনা মখোয়না ফুরা অমু শেম-শাবদা থোইনা লুনা থোক্লংদে । মকম অমু শোংদোকপা লোয়রবদা ইমুং অমুদা মী হিপ্পবা হিদান [কমুং] মচা অমা থাজিল্লে, থাউমৈ মচা অংমম থাজংলে । অমুপা মযুমদা তম্না হল্লকলে ; মতম অমু রুপবানমু চা-থকপা লোয়রবলে । মচাশিং হল্লকপা উরবদা মপা অমুনা রূপব অদা হায়রকই । "রাজকুমার ! অহিং পে থাবিবদি, খুড়াগী ইমুং অসিদদি কয়া খংডাইরবোই । ঐখোয়গী ইং- থৌনা মীরৈবাক্তৌ 'যাত্রিক' লাকপদা পোথংনবা মকম অসিদা ফুরা অমা শাদুনা থম্মীরি । মাসদগী থোংনা লাপতে । মমুদা ননাইশিংবু পিজলক্কগে, মমুদা অহিং আস ইংনা পোঁথাবিকবনা ভেম। মু ডাই-গনি, য়ুমু অহল অমুনা নীনথা রানা মখোয়গী মচংশিন্নবা। ম য়রকপা রাজ রূপবান বরাওং যারম্মী। অমুনা মখোয় মচিন-মনাও অনিনা নিংথৌ মচাবু ফুরা অমুদা লৈনবা থিল্লকলে। মকম অমু থোরবদা রূপবান্না মাবু খিনখিরক্লিবা নিপা অনি অমু চংহনগা ফুয়া মমুং অমুদা মথন্ত্র, ফংদুনা শ্রীকৃষ্ণগী নাম শোন্দুন লৈরম্মী।

মতম অহু অঙ্গিং তঙ্খাই চল্লকলে, রূপবান তুংগী আপা লৈরমদে, ঈশ্বরগী ধ্যান্দা পুক্কিং লুপখিবনা। তাঙ্জা চহুদা ইংখ থঙহৌদনা ওং-ওং ওংহুনা ক'রশুপা জীব অমা লাকপগী মখোল ত'রম্মী। যুবরাজ ধ্যান কায়রে, মপাল থোক্নুনা কাবিনো হায়না কোইয়েং য়েংলম্মী। মহুদা বাং চাপ্রবা অকিবগী মশক ওইরবা নিপা অমা অতিয়াদা পাইরক্নুনা মানা লৈরবা ফুরা অহুগী মমাংমক্কদা তারয়ে। তাবগা মানা লৈরব মাইকৈ অদোমদা পরপ-পরপ চংশিল্লরকলে মশং কায়না উবা নিপা অহুন লবপা অদু রূপবাননা মুমা য়েংহুনা লৈরম্মী। লাকলিবা নিপা অদুনা ফুরা মনাক থোরবদা ওংলহুনা লাউরকই—"কনা লৈ, ঐ লাক্রু মপান থোরকউ রা ওাংনসি।"

রূপবান—"মহাশয়। নহাকপু কনানো? ঐ মফম অসিদা লৈবে; করি রা হায়বিগদবা লৈবগে?"

লাকলবা নিপা—"ঐবু কনানো হায়বা। নহাক ঐবু খঙলমদবা তারি?"

রূপবান—"ঐ খঙজদে।"

নিপা—"ঐবু খঙব্রবদি নঙ দেশ অসিগী মী মতব্রা?

রূপ—"অহোই, ঐ লৈবাক অসগী মী নত্তদে।"

নিপা—"নত্তে হায়বা! অহু ওইরবদ দেশ অসিদা তৌরিবা মওং অসি নহাক খঙলমদবা তারি। অদুনা নঙনা খঙব্রবস্থ ঐনা তাকসগনি। মদুদি—লাকলিব ঐ অসি ব্রহ্মরাক্ষস হায়বা অদুনি। ব্রহ্মাগী থাখংদগী ঐ মফম অসিদা হুমিং খুদিংগী মী অমমম চারিবনি

মচুগী থৌরাংনা লৈবাক অসিগী নিংথৌনা পুরিবনি। অদুনা ওসিন্থু ঐহাক মী অমু চাবা লাকলিবনি। হুমিং থুদিংগী নিংথৌনা মী অমমম মকম অসিদা থনমলিবনি। করে, ওসিদি নঙ'লৈরমগাবনিনা নঙবু ঐনা চাবা তারে।"

ঈশ্বরগী মনাই ওইরবা রুপবনি, চিংচাবগী বা তারগা কিগত্রা হায়রগা থোইনা হবাওঙথে হায়রকই—"মহাশয়! ব্রহ্ম রাক্ষস! য়াম্না নুংঙাইজরে. ঐহাক যমগী লৈবাক্তা চত্নরা ইমা থিগে হায়দুবা চম্পক নগরদগী লাকচবনি।

মদুদা যমগী লৈবাক হায়বা অদুদি অহিংবা জীবনা চঙবা ঙ রে হায়রে। মতৌ করম তৌরগা ইমাবু উনজগদগে থজরমইবনি। করে হৌজিক্তি নহাক্তা ঐবু চাবিরগা, শিরগা থবাই ওইনা ঐনা পগেমবু উনজরুরগে!"

ব্রহ্ম রাক্ষষ অদু রুপবানগী বা তারগা চাউরবা মশা অদু খঙহৌদনা মতু চুংবগুম তৌরকই। মরমদি মম্যাংহৈগী বা অমা নিংশিংলরুম্মী। অদুবু চিংনবা লৈতনা বা হায়রকই। "নিপা মচা! নঙবু ঐনা হেক্তা চাগদবা নত্তে; করিগুম্বা বারম থবা নঙোন্দা হংখিগনি। ঐগী বাহং অসি হুমিং থুদংগীদু লৈরমলিবা মী থুদিংমক্তা হংলগা, পাওথুম পিবা ঙমজগদা চারিবনি। করিগুম্বা বাহংশিং অসিগী পাওথুম কনাগুম্বনা পিরবদি ঐ মাবু চারোই। অদুনা ওসিন্থু বাহং অদুমক নঙোন্দা হংখিবা তারি।" বাহৈশিং অসি হায়রগা মাগী অহানবা বাহং অদু.শ্লো.ক ওইনা থিরকই।

১। (অহানবা বাহং)—"কথং উদ্ভৈদ্যতে ধর্ম্ম, কথং প্রবদ্যতে, কথম্বা স্থাপদ্যতে ধর্ম্ম, কথং ধর্ম্ম বিনস্যতি।

[ধর্ম্ম করম ডৌনা লিংথৎকনি, অহুগা করম চংনগনি, করম হায়না শন্দোকনি অমসুং করম্না ধর্ম্ম মাঙহল্লি।]

রূপবান হিংচাবগী বাহং তারগা হায়রকই—। "মহাশয়। ঐদি মূর্খনি, অহুমু প্রধান ওইবা খরদি হায়রজগে। চুপ্পা চুমদবদি খঙজদে।"

(অহানবা শ্লোককী পাওখুম) "সত্যং উৎপ'ত্তি ধর্ম্ম, দয়াধর্ম্ম পর্বদ্যতে, ক্ষেমায়া স্থাপদ্যতে ধর্ম্ম, ক্রোধ ধর্ম্ম বিনস্যতি।"

[অচুম্বদগী ধর্ম্ম পোকই, থৌজাম্না ধর্ম্ম চংহল্লি, ঙাকপ হৈবনা ধর্ম্ম শন্দোকই, অশাওবনা ধর্ম্ম মাঙহল্লি।]

ব্রহ্ম-রাক্ষষনা অনিশুবা বাহং অমুক হংলকই।

২। [অনিশুবা শ্লোক] "পৃথ্বিংগুরুতরা কিম্বা, যে কিম্বা গগনাদপি, তৃনা লঘুতরা কিম্বা, বাতা শিঘ্র্যংচলে চকিং ?"

[পৃথিবদগী হেন্না লুপ্পা কনানো ? স্বর্গদগী হেন্না বাংবা কনানো ? নাপীদগী হেন নেম্বা করিনো ? নুংশিত্তগী হেন্না য়াংবনা করিনো ?]

রূপবান রাক্ষষগী অনিশুবা বাহংগী পাওখুম পিরকই।

[অনিশুবা বাহংগী পাওখুম] "পৃথ্বিংগুরুতরা মাতা, পিতৃ যে গগনাদপি, তৃনা লঘুতরা চিন্তা বাতা শিঘ্র্যংচলে মন।"

[পৃথিবীদগী হেন্না লুপ্পদি ইমানি, স্বর্গদগী হেন্না য়াংবদি ইপানি, নাপিদগী হেন্না নেম্বদি অবাবনি, নুংশিত্তগী হেন্না য়াঙবদি পুক্কিংনি।]

রূপবানগী পাঙ্তিথুর অদু তারগা, হিংচাবরা মারী অহুমশুবা বাহং হংলকই।

৩। [অহুমশুবা বাহং] "কথং বৈবসত রাজা, কথং বৈতরণী নদি, কথং কামদুহা ধেনু, কথম্বা নন্দন বনং ?"

[যম নিংথৌ হায়বসু কনানো ? বৈতরণী তুরেল হায়বদুনা কদাইদনো ? কামদুহা হায়বা যণবী অদুনা করিনো ? অদুগা নুংঙাইবগী বোন হায়বদুনা কদাইদনো ?]

রাক্ষসনা বাহং তারগা রূপবানা খুমলকই।

[অহুমশুবা বাহংগী পাওখুম] "ক্রোধা বৈবসত রাজা, আশা বৈতরণী নদি বিদ্যা কামদুহা ধেনু, সন্তোস নন্দন বনং।"

[অশাওবদগী যম নিংথৌ ওই, পুক্রিংনা নিংবা মফম অদুনা বৈতরণী তুরেনি, মহৈ হৈবনা কামদুহা হায়বা যণবী অদুনি, অপেনবা হায়বা অদুনা নুংঙাইবগী বোন্নি।]

যুবরাজনা অহুমশুবা পাওখুম পিবা লোইরকপদা ব্রহ্মরাক্ষসগী মশা অদু নিংলকলে। অদুবু মরিশুবা বাহং অমুক হংলকলে।

৪। [মরিশুবা বাহং] "প্রবাসেচ কথং মিত্রং, কথং মিত্রং গৃহেষুচ, অশান্তে কথং মিত্রং, কথং মিত্রং মৃত্যু যুচ ?"

[লংকৈচংলগা কনাগা মরুপ ওইগনি ? য়ুমদা লৈরগা কনাগা মরুপ ওইগনি ? নারগা কনাগা মরুপ ওইগনি ? শিরগা কনাগা মরুপ ওইগনি ?]

রূপবান মরিশুবা বাহংগী পাওখুম পিরকলে।

[মরিশুবা পাওদুম] "বিদ্যামিত্রং প্রবা সেষু, ভার্য্যামিত্রং গৃহেষুচ; ব্যাধিতস্য ঔষধমিত্রং ধর্ম্মমিত্রং মৃতস্যচ।"

(লংকৈ চংলগা মহৈগা মরুপ ওইগনি, যুমদা লৈরগা নুপীগা (মথু) মরুপ ওইগনি, লায়রগা হিদাকা মরুপ ওইগনি।

শিরগা ধর্ম্মগা মরুপ ওইগনি।

রূপবান মরিশুবা য়াথং অদুগী পাওখুম পিবা হেক লোইরবা ব্রহ্ম-রাক্ষস অদু মতু লোমদা খোঙকম ১০/২০ লোম হন্দোকপগা ঙংচুন লৈপাক্তা ছুথখিরম্মী।

খঙহৌদনা তৌখ্রিবা থৌওং অদু রূপবান ঙক্না থোকখিরম্মী। ডাইহাক ওক্‌না লৈখিদ্রেদা, হিংচাবা অদুগী মপুক মমুংদগী ময়ারোমদা নিংথিজখ্রবা নিপামচা অমা থোরবলে। অদুগা রূপবানগী মনাক্তা চঙলক্‌না দণ্ডবৎ তৌনা খুরুমজগা হায়জরকই। "ননাই ঐহ ক ইবুংঙোগী কৃপাদগী অমান থুডম ফংজরে; ননাই ওইনা সেবা তৌগে ঐবু লৌশিনবীয়ু।"

নিংথৌমচা যুবরাজ, অঙকপা হৌরাওবগা তিমথরে। অদুনা নৌনা থোরকলিবা নিপামচা অদুদা হংল্লকই। "মহাশয়! নহাক মফম কদাইদগী লাকপনো? করম তৌনা হিংচাবা অ, গা মরি লৈনরমলিবনো?"

অকোনবগী লাকলিবা নিপামচা অদুনা খুমলকই, "ননাই ঐহাক লাইগী শাপনা ব্রহ্ম রাক্ষস ওন্দুনা মতম কুইনা লৈজরক্রবনি, ওসি ইবুংঙোগী কৃপাদগী অরানখুবম ফংজরে। নহাক মথৌ ঐনা মী চাদুনা লৈরকলিবা অসি ইবুংঙোবু ডাইজরকপনি। ওসিদগী ঐগী পাপ কোকচরে।"

রূপবান হুয্যাওনা নিপা অদুবু মনাই ওইনা লৌশিনখিরে। অহিং অদু হুংঙাইনা রাণী-রাজাই শানদুনা লেরে। নোং ভারে। মখোয় অনিমক ওয়াং রূপবাননা থুংনুবা হুখ অদুদা লাকলে। হিংচাবনা চাখিনবগীদমক লৌনম তৌনা চংহুনখিবা মীশক অদুনা অতোপ্পা মপাং অমগা লোইনদুনা অমুক লাকপা উবদা ইমুং অদুগী মী মথৈ ওকুখিরবী।

মুথু অহল অদুনা রূপবান্দা হংলকই। "রাজকুমার! ওয়াংদি নতোনতা চংখিবনি, অদুবু ওসিদি নখোয় অনি লাকলিবাসিদি অমদি কদাইদগী লাকপনো?" অহল অদুগী অঙকপা অদু খঙলদুনা, যুবরাজনা ওয়াং আহংদা থোকাপ্রবা থৌদোক পুবা তমদুনা তাহল্লে। নিপা অদু ব্রহ্ম রাক্ষসদা ওনবনি হায়বা অদুদা ইমুং অদুগী মীশিং অদু কিরপ তৌনা হায়রকই। "ননাই ঐখোয়গী ইমাল ভাকপিয়ু।" মরাম অদুনা আকবা মতৌ অদু উবদা রূপবান্না হায়রকই। "নখোয় হৌজিক করি অমত্তা কিক্সু মহাক্ হিংচাবা ওইরবনি। ঐগী ইনাই ওইনা লৈজরবনি। নিংথৌমচাগী বা তাবদা মখোয় হুংডাইনরে, থাঙ্গে শেংবা লাইনা, কাঞ্চন-নগরগী রাইকনবা থাবিমক্রবমি হায়দুনা, চেং, থোইদিং পুথোক্নুনা রূপবানবু পূজা কচ্চরে।

অদুগী মতুংদা রূপবানবু চহাক্তং পোক্নাখিরম্বা হায়জরম্লগা মখোয় মচিন-মনাও অনি কোম্নুংদা চেনখিদুনা বিরসিংহ মহারাজদা হিংচাবা শিবগী মরম তম্লরে। নিংথৌনা ব্রহ্ম-রাক্ষস শিরে হায়বহ অচুম্বা খঙনবা নিপা তরা থাদুনা য়েংহল্লুরে। নিপাশিং অদুনা অশেংবা পাও অদু তম্লবদা, বিরসিংহ হায়নিংঙাই লৈতনা

হয়াওপ্রদুনা হিংচাবা হালি হায়রিবা নিপা অদু কোমুংদা লাকপিনবা খাৰ্জন তৌখরে।

নিংথৌগী খার্জন কংলবদা রূপবান কোমুংদা মনাইনিপা অদুগা লোয়ননা কারকলে। কোমুং য়োরবনা নিংথৌনা আত'থ সেবাগী হৌনবী পুজাগা লোইননা তরান্না ওকখরে। রূপবানগী শাওং-শাদা অমদি মাইথোং অদু হেক উবদা মীপুম খুদিংগী থমোই হুনবগী মশক ওইরম্মী। অদুগীসু মথক্তা নিংথৌনা কপ্পবা হমন্নবা মাগী দেশ অদু, ইরাই-লাইনা হিংচাবা হাত্তুনা কনবিবা অদুদা শেনপ্পহনা, নিংথৌগী মচাম্বুপী হেমলতা কন্যাদান কচ্চরগা পুন্সিচুপ্পা মনাক্তা থম্বা যাবা মীওইরা হায়বা খঙনবা মপাও হংলকই।

"ইবুঙো! নহাকপু কারি লৈবাক্তগী করম্বা থবক লেবিহুনা। ঐখোয়গী কাঞ্চন-নগর অসিদা লেঙবিরকনো? নত্রগা স্বর্গদগী ঐখোয় পুম্বগী থৱাই কনবিনবা ঈশ্বরনা থাবিরকপ্রা? অচৌবা অমনা নহাক্কী নশাদা মী শিবা য়াবা খুংলাই অমত্তা য়াওবসু উদে, করম্বা কম্নবা হিংচাবা হাৎলিবনো? নিংথৌনা চৈনবা থাহংশিং অদু তারগা রূপবান মাগী অশেংবা য়ারম পুম্নমক মথং-মথং চিদুনা তাবল্লে। অদুগা হিংচাবা হাৎপগী মরমসু খঙহল্লে।

বিরসিংহ মহারাজ লাকলিবা নিপা অদুনা মঙোন্দগী মতিক মঙুণ হেনবা নিংথৌগী মচা ওইরম্বা অদুদা অমুক হেন্না লুংহাইপ্রদুনা, য়া মখা তারনদন' থুন, চৎথিহনা মচাম্বুপী লৌরুরে, অদুগা রূপবান্দা কন্যাদান কৎলরে। অদুগা হায়রকই। 'ইবুংঙো! নঙোন্দা ইচাম্বুপী কচ্চবা অসিনা ঐগী অপেনবা ওইত্রি। কবিগুম্বা

য়াবিরবদি, নিংথৌ ইছুংশিনবিছুদা লৈবাক প্রজা পালন তৌবিয়ু। মরমদি ঐনা নিংথৌ ওইহনা লৈবদা প্রজাগী থবাই তুম্না মাঙলম্দবতু মহাক্কী থৌজাল্না মরামগী জীব হিংকৌয়ে। হৌজিক ঐনা নিংথৌ ওইহন লৈবাক বায়েনবগী থোইনা কায়রে।" নিংথৌগী মথবাই শোকপা রাহৈশিং অদু তাবদা রূপবান শাস্তিগী রাহেনা মপা শক্রবা নিংথৌগী অরাবা থম্মোই অদু থামজিনখি। অয়াম্বা জীবগী থবাই কনখিবদি মহাক নত্তে; ঈশ্বরনা কনবিবনি, মতম থুদিং ঈশ্বরবু পূজা তৌরম্বা হায়জরম্মী। অহুগা মহাক্না ময়া-খিবা চংখ্রিবা মতম অদুপকী মথৈ মাগী মনাই নিপা রাক্ষসনা ওনবা অহুগা মচা ইবেম্মা বেমলতাগা শিমরয়গা রূপবান অমুক মমা খিরুনবা মফম অদুদগী মমাই মথা পাংনা যাত্রা তৌরকলে। নিংথৌ অমসুং প্রজাশিংসু অরা-হুংজাই য়ামনা রূপবান চংখিবা মাইকৈ য়েংহনা লৈরেৌরে।

রাজকুমার কাঞ্চন-নগরদগী লাকপনা থা ১গী লম্বী চংলবদা অঙকপা থৌওং অমা উরে। ১ডুদি অশুকপা উমং অমদা অচৌবা থোংনাং বট পাম্বী অমা কৌরম্মী। উথোং অদু লৈমুং ওইনা থোনগংলি। য়াম্না তরু তনাল্লি। য়েংবদা মুনিশিংগী লাইনিংফম মাল্লি। অহুবু কবিগুরা জীব অমত্তা মনাক অডুদা চংনদে। কোনগী শ উচেক শংসু উ অহুদা তোংদে অমম্ভিং চাদে। মপা অতু মৌবনা অশাবা ফুং লাউনা কাই। রূপবান কয়িনো হায়না মপুক্কিউদা অঙকপা অদগা লোয়ননা অঁহুম লাকলে।

মফম অদুদগী মুমিৎ নিঙ্গিগী লম্বী চংলগা অঙকপা অমস্থ অমুক থেংনরে। মহুদি মমাংমক্তা শর লাপ্পা কোনা পাম্বী তরেংথক হোৎপা উরম্মী। উমিং অহুগী মথক্তা মনা-মশা মরক্তা থাঙ পায়বা নিপা তরেংথক ভোংদুনা লেঙ-হাইদুনা লৈবা উরম্মী। মানা খল্লি। ‘কনাগুম্বা নিংথৌশিংনা ঘর অসিদা শিকার লাকলিমাল্লে। মদুদা অয়াপ্পদা শা লৈবদু, উমিং অসি কাদুনা য়েংলিবোইয়ে।’ উপালশিং অদুগী মনাক মৌরবদদি মানা উথবা মীশিংস্থ অমত্তা লৈরমত্রে। থোদোক অস্থ ভুত, প্রেতনা তম্বনি খল্লুনা হমা অমুক য়েংলমদনা রূপবান চংলকলে। মকম অদুদগী পোখাবা লৈতনা লাকপনা মুমিং তরানিগী লম্বী চংলগা, ‘অন্ধ্রপুর’ হায়বা দেশ অমা য়ৌরক্লে। মহুদা শান্তভুজ কৌবা নিংথৌ অমা পাক্লম্মী। মাগী মহারাণীগী মমিংনা হেমাপতি কৌই। মথোয়গী মচানিপা পোক্লে। মচাম্বুপী অমথক্তুং পোকচৈ, মমিং ঈশ্বরী কৌই। মশক-মাতো যাম্মা ফজৈ, অস্থুক্তি ফজরগা মকোক্তী মশম মথৈদি নাপী ভাক্তা থোরম্মী।

মকোক্তা নাপী হৌরবী রাজকুমারী অসি মতাশিংগা লোইননা কোম্বুংগী মপান্দা লৈবা পুত্রি অমদা ঈরুজবা থোরকলম্মী। মশক মতো ফজপ্পবী মুপী মচা অমনা মকোক্তী মশমনা নাপী ভাক্তা হৌবা অস্থ উরুবদা যুবরাজ পুমস্তক ছকথারে। কনাগুম্বা মীতোপ্পা মরম হংবদা, নিংথৌগী মচা মুপী'নং হায়বা খঙলদুনা য়েংনা য়েংনা অহুম লাকলে। মফম অহুদগী থা অমগী লম্বী অমুক লাকলগা ‘বৈতরণী’ হায়বা ভুরেল অদু হেক য়ৌরে। ভুরেল অহু হেক মৌথিবদা অকিবগী মশক ওইরম্মী। চাংজো অমদগী

অতোপ্পা চংঙৌ অমা উব ফংদে। ইথক্লা চীংছুম-চীংছুমমুক চাউনা ক্লায়। ঈশিংগী ইরাওথোপ্পা নাকোং থৈশিল্লি। য়েংথিবদা ইমথদা মমছুনা ৈশখী। মম্ব উবদা নিংথৌ মচানিপা রাখল তৌই 'তুরেল অসি অশিবগী লৈথাক্লা, অচংবগী লমগা তাইনবদা চেল্লি, হায়বা বৈতরনী' কৌবা তুরেল অদু ওইবা তারে। মসিবু ঐনা করম্না লাল্লগা যমগী কোন্নুং য়ৌরক্লুনা ঐবু পোকপী পলেমগী চেংলৌ উগবা!' রাথলনা ঈরাক্লুনা বৈতরনী মপান্দা ওহাক পোথবদগী তুমথোকখরে।

"স্ব দেশে পুজ্যতে রাজা, স্বর্ব্বতে পুজ্যতে বিদ্যানা"

(মরৈবাক্তদি নিংথৌবু পুজা তৌনৈ, মফম পুম্বদা মহৈ-হৈববু পুজা তৌনৈ।)

* মহৈ হৈবশিংগা, নিংথৌগা চাংদম্নবা য়াদে,!
নিংথৌদি মাগী মরৈবাক্তদা চাওজবনি।
মাগী শক্তি অতুগী বাংমা লানথ্রবদি,
নিংথৌদি অচম্বা মীগী পাংথকনি।
মহৈ-বিদ্যা হৈবা মীশিংদি,
মরৈবাক-মীরৈবাক অরাপ-অনক নাইদে।
চংলু-চংলু মফমদা ইকাই খুমনৈ মীনা। [illegible]
মহৈগী মপাম্না, নিংথৌনা ওমদবা হিংচাবা,
ক্লপবাম্না লাইনা ওমদুনা প্রজাগী থবাই কনবীখি।
অবা-অনা থংদনা মহৈগী লল তানশিনসি। *



অহুমখুব, মতাং

মমা উনবা

রূপবান, বৈতরনী তোর্বান্দা ঙাক তু নিঙৈদা, মঙ, অমা মঙ্ই । মমানি হায়দুনা হুপী অমা লাকলগা মাবু মতম্বাক্তা পমলদুনা যাম্না হরাওনা 'অমৃত' (খাম) ইল্লম্মী । মহাক্না মমা ফংজরে, হায়দুনা কয়া হরাওনা অমৃত অদু থকচরম্মী । ঙরাক লৈরগা ত্রিযমরাজনা কৌরে ইমা চৎলগ নং কোম্না লাকউ হায়দুনা মতম্বাক্তগী থাংথরগা হেক চংখিবগুম তৌই ।

মমানা থাংথবগা রূপবান মিকপ থংথোক থোক্লম্মী । ফিংনা হৌগৎতুনা কোইয়েং য়েংলম্মী । কনাগুম্বা জীবা অমত্তা উরমদে । হৌজিক্তা মাবু পম্বা মমানা লৈরমত্রবদা মথর ই গুংঙাইখিত্রদুনা, মমা কৌদুনা কপলকলে, মানা কপ্পুনা লৈরিঙৈদা থংহৌদনা ঈশিং অতুদগী চাউরবা 'গুম্ভীর' অমা ভাউথংলকলগা, রূপবান্না লৈরিবা মাইগৈদা জ্-জ্ চেনশিল্লক্লম্মী ।

নিংথৌমচা রূপবান অকিবা পোকলমদে । গুম্ভীরনা লাকপা মাইগৈরোমদা মুন্না য়েংদুনা লৈরম্মী । গুম্ভীর অহুনমু অপনবা নাইদনা লাকপনা রূপবানগী মনাক য়ৌরকলে । অহুগা ভাইবং মীরোম্না হায়রকই । "নিপা মচা! নহাক যমগী কোম্বুংদা নমা উনবা চংনিংলিবা নত্রা? মহু ওইরবদি ঐনা তুরেল অসি জানবিরগে । নংনা ঐগী, থবক অমত্তদি পাংথোকপিরকউ ।

'মতুদি অমোম মজুবা ঐহাক্লা গর্ভ শুবগী মপংগুম মতম কুইনদগী তৌরকলিবা অসি-করি মরমনবো ! হায়না যম নিংথৌদা খরা হুংবিরকউ । মচু ওইরবদি মহাক্লা অমুক নমাগা লোয়ননা লাকপা মতমদমু ঐনা লানবিগনি ।"

বৈতরনী লানবা শুমলরোই খন্দুনা রানা লৈরম্বা রুপবান অমু গুম্ভীরগী খোঙ্গানগী রাঙাং অমু তাবদা হরাওরে । অদুগা গুম্ভীরদা নোম্লকপা রাহৈনা হায়জরকই । "সোইদনমক ধর্মরাজদা রাহৈ অমু কংজরক্লগে !"

গুম্ভীর, হরাওরক্লনা মনঙ্গন্দা রুপবানবু তোংহল্লে অমুগা তুরেল অমু লাললকলে । অরেপা লৈতন' লাল্লকপনা থা অমা হুনিং ৭নি শুবদা অতোপ্পা তোঙ্কন য়োরক্লে ।

রুপবান গুম্ভীরগী মনঙ্গন্দগী কুমংবে, অমুগা বিদায় তৌনরক্লনা যংগী কোমুংলোমদা মমাই ওন্দুনা লাকপদদি, অঙকপনি ! মফম অদুদি করিগুম্বা হুমিংকী মঙাল লৈথিদ্রে । মাইকৈ খুদিং অমম্বনা কুপশিনদ্রে । লম্বী চৎকম খঙথিদ্রে, অতৈদি থমকন্দুনা মশাবু মহাক্লা উজবা ফংথিদ্রে । খোংথাংফম থংদ্রে । যুবরাজ বারক্লে, গতি উত্তরক্লনা, জবংকী মখুংঙো শ্রীকৃষ্ণ কোহনা কপ্লকলে । মমৈদা উপায় অমা মুক লৈত্রক্লনা, ঈশ্বর ধ্যান তৌরুনা মিংলু অনি অমুদা প্রেমগী ধারাদি অতৎপা লৈতনা শিগ্গরক্লনা, মমিৎ উইশিন্দুনা ফমথরে । নিংথৌ মচাগী ধ্যান অহুনা কনমনথিবনা, দ্বারাকা ভুমদা লৈরবা অন্তরজামি শ্রীকৃষ্ণ মনাই ভক্তগী ভক্তি অদুদা পেলবিরক্লনা, মনাইগী অরাবা অমু কোকদিরক্লগে, অমুগা মমা

উনহনগে, হৃয়েং মতুং ফাওবদা শ্রীকৃষ্ণ হায়বা অহৃদি মনাই ভক্তগী মথা পে ল্লি, হায়বসি জগৎ খঙহল্লগে, অমবোমদা মনাইগী মগুনশু মীওইবগী মরক্তা—মক—শোঙহল্লগে হায়বা হাখল তৌবিদুনা, খঙহৌদনা যমগী লৈবাক্তা ফাওবগে। ইশা-শক্তি ওইবা ইবুঙো, লেঙলকপগা খঙহৌদনা যমগী লৈবাক অহু পুমথান চেক ঙাম্মোরবলে। রূপবানগী মমিৎতা মঙালগী শক্তি অহু ফাওবক-লবদা মমিৎ পাঙহুনা যেংখিবদা, মমাঙমক্তা মবুঙো লেপ্পুনা লৈরম্বা অহু উজকরে।

মবুঙোগী শ্রীমূর্ত্তি দর্শন ফংজরবহুদা, রূপবান হায়নিংঙাই লৈতনা মুংঙাইজহুনা শ্রীচরন অনি অদুদা দণ্ডবৎ প্রনাম তৌনা তাখরে। অদুগা মথম্নতা শোঙ্গরকই। "রূপ-ঐহাক অসি কয়ামুক লাইবক ফগ্রবনো! 'ধ্রুব, নারদ, প্রহ্লাদনচিংবনা চহি-চা কোটি ধ্যান তৌজহদা ফংবা ঙসত্রবা শ্রীমূর্ত্তিবু ঙসি ঐনা ফংজরে। 'ননাইগী-ননাই ওইরবা ঐহাক্কী অরাবসি ইবুঙোগী শ্রীচরননা কোকপীয়ু'।

মনাইগী অচম্বা ভক্তিদা পেনবীথ্রদুনা, 'শ্রীকৃষ্ণ মোমোন মীনোকনা মনাই য়েংহুনা হায়রকই। 'রাজকুমার! নহাক্না ঙসি, যমগী লৈবাক্তা লাক্লগা ঐবু কৌহুনা কপলিবদি করিগীনো ?" শ্রীকৃষ্ণগী অমৃতাগুম থুম্নবা ৱাহৈশিং অহু তাবদা রূপবান মথুং ২ জুর তৌনা থুরুথুদক লৈতানা ফমজহুনা মপাও হঙৎচরকই। "ইবুঙো! ননাই পোকপদগী, ঐবু পোকপিরম্বা ইমাগী চরন উজবা ফংজহৌদরে, মমা লৈতবা মচা হায়বা অহু ওইবা মহুমনা

চিনথ থুনিংদা মনাইগী অৱাংপা ওইনরে। মরম অদুদগী মনাইনা ঐবু য়েংক-থাক্তনা থম্মীবিবা পন্থৌদা ইমাগী মৈফম হংজবদা, ধর্ম্মরাজগী নাক্তা লৈথে তাকপিরে! অহুদগীদি ঙমগনি ঙমলোই ৱাংথগ তৌদনা ইমা ঙাক্লিংবগী মৈচাক্ত হেন্‌-খিহুনা পন্থৌদগী বিদায় লৌরগা যমগী মৈথাক অসিদা লাকচবদা মফম অসি য়ৌরগা অৱাবা ওইনা লৈতরগলিবা অসিনি ”

মনাইগী ৱা তাবদা পেনবিরহনা, কৃষ্ণনা রূপবানগী মথুং পাযহুনা চিংথংপিবে অহুগা যমগী কোম্বং মহুলোমদা পুহনা চঙখিরম্মী। যমনিংথৌ থঙহৌদনা শ্রীকৃষ্ণ লেংঙকপা অহু উরহনা ফম-ফমদগী চিংনা হৌগংতুনা মবুঙে বু ওল্লরে। কবি থবক্কী লেংবিরকপনো হংজরম্মী।

শ্রীকৃষ্ণ মনাই রূপবানলোমদা য়েংলগা হায়রকই। “নিপামচা অসি ঐগী ইনাই ভক্ত অমনি। মাগী মমা শিখিহনা ধর্ম্মরাজগী নাক্তা লৈত্রে হায়! মাহু জগৎনা চৌনদবা ওইরবস্থ, ঐগী য়াথংনি। শিরবা মমা অহু অমুক হন্না মীবমলেন্না খোঙদায়াথংনি! ” বাহৈ থরা অসি যথদা হায়বল্লগা শ্রীকৃষ্ণ মাঙখ্রে।

শ্রীকৃষ্ণ লেঙ্‌খ্রবদা যমনিংথৌনা রূপবানগী মতিং-মগুণ জ্ঞান থঙ্‌নিংহুনা হায়রকই। “নিপামচা! নহাক ঐগী কোম্বংদা লৈরিবা মুপীশিং অসিদগী নমা মশক থম্মুনা পুজখ্রো!”

যমগী ৱা তারগা রূপবান্না হায়জরকই। “মনাই ঐদি পোকপদগী ইমাগী চেংলো উজহৌত্রে, মরম অদুনা ঈশ্বরগী শক্তি য়েংজগে, মুপী পুম্নমক্সি, ঐঙোন্দা অমৃত ইনহনবিয়ু।”

যুবরাজগী জ্ঞান লৈবা য়াঙাং অতু তারগা, যমনিংথৌ পেল্লদুনা হুপী পুম্নমক্তা, রূপবানগী মচিন্দা থোম ইনথৌনবা য়াথং তৌরক্লে।

যমগী য়াথং ফংলবদা হুপী পুম্নমক থোরক্লুনা রূপবানগী মচিন্দা অমমম ওইনা অমৃত ইল্লরে। কনা অমত্তদগী অমৃত-মরিক অমত্তা তারবতে। ইকোল কোনবদা হুপী অমখক্তি, ঈপান-থাগী মতমদা, গঙ্গানা খুঙচৌদনা ঈহৌরকপগুম, কংলবা থবাক অদুদগী চেঙ্গরকলে। অমৃত অদুনা রূপবানগী খোবে'ম অদু থল্লমী। রূপবান অশেংবা মমানি হায়। খঙজরদুনা, হুপী অদুগী মখোঙ অনি অতু কোল্লগা লোং খোংবগুম কপলকলে। রূপধাত্রি, মচানি হায়বদি খঙলগা অশিবা জীব ওইবনা মচাগী প্রেম অতু থরা বাংলম্মী। মওং অসু উবদা ধর্মরাজনা, খঙলদুনা পংশিল্লক্লগা রূপধাত্রিগী মকোক্তা, "নহাক মীওইবগী জ্ঞান লাবচরে।" হায়না নানবিররে। যমনা হেক শোকপ, অদুদা রূপধাত্রি মীগী জ্ঞান লাক্লুনা মচাগী মুংশিবা প্রেম পোক্লক্লদুনা, মচাবু মতম্বাক্তা চেংনা কোল্লগা কপ্পকলে, প্োকপদগী মচাগী মাইথোং উরমদ্রবনি, মতম কুইনগী মতুংদা মচা ফংজরবদা, মরাইবক্তা হন্না হন্না চুপলক্লে।

যমনিংথৌনা, মমা নচা অনিগী শিংবা ওযত্রবা প্রেম অদু উক্লবদা পেল্লদুনা হায়রকই। "করে, হৌজিক নমা নচা কপ্পা তোকলো! হরাওনা মীরমলেন্দা চচ্চখরো। ঐ বর অমা পিরগে।"

যমগী য়াথং তারবদা, মমা-মচা অনি অতু ধর্মরাজরোমদা ওনশিল্লগা মথুং জুর তৌদুনা বর তাইদুনা লৈরম্মী।

ধর্ম্মরাজন হায়রকই। "ওসি রূপবান, নহাক্না শ্রীকৃষ্ণগী অথোইবা ভক্ত অমা ওইবনা, মী অতৈ অমনা উমকত্রবা অশিবা নমাবু যম ঐহোল্লগী লৌরবা উয়গী যাদি অসি হয়েং তুংদা কনাগুম্বনা তাজরবা, অদুগা লাইরিক ওইনা পাজররদি, তারিবা পারিবা মী মহাক অদুনা শিরগা যম ঐগী লৈবাক্তা লাক্তনা খাঙ্গীদা লুংঙাইনা লৈবা ওইরসনু।" ধর্ম্মরাজগী বর ফংলবদা, মথা-মচা লুংঙাইনা যমগী চরন খুরুমজরকলে। মতুংদা রূপবান যেংদুনা যমনিংথৌবা হায়রকই। "রাজকুমার! নহাক যম ঐগী লৈবাক্তা লাকপগী পাপিশিংনা যারিবা দশা অসি য়েংখো, নমা থনমখো হৌজিক ঐগা চংদুনা কুণ্ড থরা য়েংলুশি।"

'ধর্ম্ম লৈবা মফমদা, সত্য লৈ,
সত্য লৈবা মফমদা ঈশ্বর লৈ,
ঈশ্বর লৈবা মফমদা মঙ্গল লৈ।'



মরিশুবা মতাং

নরক কুণ্ড য়েংবা

ধর্ম্মরাজনা রূপবানগী মখুৎ পায়রদুনা মথা থংবা মাইকৈদা লৈবা নরক কুণ্ডশিং অদু য়েংহনবা পুরকলে। অহানবমক্তা অকিবগী মশক ওইরবা কুণ্ড অমা থেংনরে। মতুদা তৌরমলিবদি অঙকপনি! মী লিশিং মফিং-মরোল য়াওদনা, যমগী দূতশিং

অহুনা চৈতুপ, য়োংশুকপায়হনা মকোক্তা ক্যান্নী শতুগ ফংহৱা নমথিশহাডাইৱবা অপুম্বা পোং থাক্ত চাশ চাংনুনা পাদ নমহুনা ইল্লম্মী। মদু চ্যাও হাযবা য়াদ্রগনা থিনাশথিং মুৰশী। পাপীশিং অহুনা থাঙব ওমদ্রহুনা কপ লাউৱনা খাঙলম্মী মত্ত ক্রশব য়া হেক উবদা মতু-থ্যাও চু লহুনা, মচিদা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোৱম্মী অগা ধর্ম্মরাজদা হংলকই। 'মহারাজ! পাপীশিং অশিগী মবাল করিনো? কুণ্ড অসিগী মমিংনা কখি কৌই।"

যমনা হায়রকই। (১) কুণ্ড অসি গোকর্ণ কৌই। মসিদা লৈবিবশিং অসি, সত্য কাযবা, বিশ্বাস ঘাতক, মিত্র বধি, মিথ্যা শাক্ষি ওইবা মীবু মবাল লেহনা রাহনবা অদুগা মবৈ মবা তৌহুনা মীগী মরলশমথুম মন্দুনা লৌবা মীশিং ডাঙনি। মথোয় অসি কুণ্ড অসিদা চহি লিশিং অমা লৈগদবনি। মতুংগী মচে ক্লা লাংজা ওইনা পোকখিগনি"

রবী অনি তীনা তোন লাকপনা মখোয মথংগী কুণ্ড অমা যৌবগলে। হন্দকী (২) কুণ্ড অহুনি জোডা ওইন অনি থাম্বাংনা লৈবম্মী। মহুদা তৌরমলিবা মওং অহুনা অমুক হেম অঙকপা ওইব্রে। কুণ্ড অনি অহু 'হুমক মেনা ডুং ডুং লাওনা চাকই। মী কয়া বযা মখোং মখুং অনিমক শউনগী পৌবিনা পুল্লগা মকোক্কা মথ নোমদা ওন্থবগা মৈথক অহুদা য়াইবম্মী। পাপীশিং অহুনা মৈশা অহু থাঙবা ওমদ্রপুনা কয়া অমা কপ-লাউরম্মী। হুতশিং অহুনা কবিগী কপলি হায়হনা চৈতুপ-য়োংশুক্কা মুরম্মী। মদু উক্করগা রূপবান ঝোকচাওবী কাম্রে, যমলিথো মেংহুনা

হংলকই । "ধর্ম্মরাজ ! পাপীশিং অসিনা করি মরানবো ?" যমনিংথৌনা হ য়রকই । "মথোয় অসি বিচার পতিশিংনা মরাল লৈবা মীশিংবু লাংলে থওনা, অচান মিরাই নাইনা, শেঙ্গা-থুমজা তৌইনা বিচার তৌরবা ; অতুগা কনাঙ্গনা মুপীশিংবু মশানা য়াদনা নমথুনা ইজৎ-মাংহল্লবা, গুরুগী মফমদা মিনয়া ওাঙবা শিষ্য, মুপী ওইবনা মরাগী য়াথং ইন্দদুনা মনিং মথা তৌনা অহিং-মুংথিল পংচৎ চৎলবা, মপুয়োইববু থিনা-থিনা চৈবা, যায়া শাঙ গনবী মরাগী শেবা তৌনিংদবী অহুগুম্বা মুপী অতুনি মসিদা লৈরিবসি ।"

